মণিপুরগী অঙম-অথৌশিংগী মরক্তা কখোকপগী থম্মোয় পানবা অমত্তা য়াওদ্রি

তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা

কর্নেল হাওরুংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

শোত্থরবশিংদি শূবা-নোম্বা কনবীয়ু

ঐখোয় মীওইবগী মপোক অসি অঙকপনা পীকথল্লি। ঐহাক্কী পূন্সিদা পুং ৪/৫দগী হেন্না ঙসি ফাওবা তূল্লকখিবগী হৈনবীসি শুক্লে লৈরক্তে। অয়ুক্কী পুং ৩.৩০ নৎত্রগা ৪দা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌগৎলকখি। অদুগা ঐহাক্কী পূন্সিদা হনগৎনা খন্থরুবদা বৃটিশনা কুমজা ১৯০০গী মমাঙদা লিংখৎলম্বা Prince of Wales, Royal Indian Military College, Dehradun (হৌজিক্না (Rashtriya Indian Military College (RIMC) দা তমজরকপা ফংলকখিবদু মঙদৌনা ওইখিবা থৌদোক অমগুম্বনি। আর আই এম সীদা বৃটিশনা ইংলিস লিটরেচর তম্বীখি। মহাক্না ঙাঙলিবদু খঙনবা হোৎনবদা থা ১ চঙখি। সংস্কৃতসু তম্লকখি। সবজেক্ট অসিদি ঐহাক্তি চিনফা পুরগা কন্না হোৎনরকখি। পরিক্ষাগী ফুল মার্ক অদু ৫০ ওইখি। ৫০গী মনুংদা ৫০ ফংলকখি। জেনরেল নোলেজদসু ৫০গী মনুংদা ৫০ ফংখি। ঐগী বেটচকী ক্লাসতা ফর্ষ্ট তানবা হোৎনবদা থা ৩ মুক্তি তূমদা-চাদনা হোৎনরকখি। থা ৫না টর্ম অমা শাই। মকোক ওইনবা হোৎনরবদি তূম্বা-চাবদা মতম মাঙহনবা য়াদে। হৌজিক্কী মতমগী অঙাংশিংসিগা মতমদুদা ঐখোয়না হোৎনরকপগা য়াম্না খেন্নরে। মতমগী অহোংবনি হায়বা য়ারে।

মণিপুরগী মহারাজ চুড়াচান্দ কে সী এস আই এস আর আই এম সীদা কুমজা ১৯০২দগী ১৯০৪ ফাওবা লাইরিক তমখি। মহাক্কী মমিং নূঙনা হক্লগা ইরগা থল্লি। মিলিটরি কোলেজ অসিগী এক্স-কেদেট কয়াদি চীফ ওফ দি আর্মি ষ্টাফ, চীফ ওফ দি নেভেল ষ্টাফ, চীফ ওফ দি এয়র ফোর্স ষ্টাফ, গভর্ণর, এম্বেসেদর, সী ঈ ওনচিংবা কয়া ওইখ্রে। ঐহাক্তি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী স্কোলরশিপ ফংবদগী তমজবা ঙমখিবনি। স্কোলরশিপ অনীসি ফংনবগী ক্লাসতা ফর্ষ্ট তানবা হোৎনজরকখি। হার্দ ৱর্ক হায়বদি হোৎনববু কল্লবদি অৱাৎপা খুদিংমক মেনশিনবা ঙম্মী। মণিপুরদা চৎনরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টম অসিদি হায়নীংঙাই লৈতনা শোয়রি।

খুন্নাই অসি লৈনাং তানা নৈরিবসি এদ্যুকেসন সিষ্টম শোয়খিবদগীনি। লাইরিক তম্লিবসিগী ৱাহন্থোক করিগীনো হায়বসি খন্থবা ঙম্নদ্রে। ফত্তবা, ওক্তবা, মীনম্বগী পাম্বৈশিং হৈনবা লাইরিক তম্বা নত্তে। ইশা-ইশাগী ওইজ-ওইথক তানবগী লাইরিক তম্বা নত্তে। পি ঐচ দি ফংলবা মীশিংনা লুপা লাখ ৫/১০ পীরগা কোলেজ, হায়র সেকেন্দরি, য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ওইনবগী ৱানোম্লগা পূন্সি হিংনবগী পাম্বৈ থিরিবসিবু অচুম্বা খোঙথাংলা? য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর ওইনবগী লুপা ক্রোর ১০/১৫/২০ ফাওবা পীরগা ওইনৈ হায়নরি। এম সী এস/এম পি এস/গেজেটেদ ওফিসর ওইহনবগীসু শেলনা পোষ্টশিংদু লৈনরি। খুন্নাইসিগী অরোন-অথুপকী পূন্সিদা-কৈথেলদা শেলনা লৈবা পূম্নমক ফংলি। ওন্থোকপা মখলগী পূন্সিনি।

য়ুনিফোর্ম শেৎপা থবক হায়বসি দিসিপ্লিন লৈবা, করপ্ট ওইদবা, করেক্টর মোৎতবা, ঈজৎ লৈবা মীশিংগী প্রোফেসননি। অদুবু মণিপুরদদি মালেমগী অতোপ্পা মফমগা শুকমান মান্নদ্রি। অফবা থবকশিংগী পাঙথোক্লগা পূন্সিসি নুংঙাইনা হিংননবা ঐখোয় পূল্লপ অমগা-অমগা মতেং পাংনরগা হিংনবা হোৎনসি য়াদ্রি। মশা-মশাগীদা খঞ্জবা খুন্নাইসিগী মীওইশিংনি। খুন্নাইসিগী মীয়াম্না ৱাদনা অতোপ্পা ফূরুপ্না ৱাগদ্রা? ঐখোয়দি পুল্লপ পুনশিনবা য়াদে। মতিক চাবা নৎত্রগা চাদবা মী খুদিংমক লিদর ওইনীংই।

ঐখোয় লোইনমক থবক কন্না শূসি। নিরগা হিংলোইসি। হকচাং ফনা হিংনবা নুংতিগী হুমাং তাহনসি। হুমাং থোক্লা থবক শূদবদগী মখল-মখলগী লায়নানা নারি। ঐখোয় খোগোপ্পা ৱাখল খনসি। মীচম-মীয়ামনি থবক শূরিবসি। থবক শূরবদি লন-থুম লাকই। ৱা ঙাঙবদি এয়র পোল্ল্যুসন ফৎহন্দবনি। মীয়ামদগী খোমগৎলিবা টেক্সশিংসি হায়নীংঙাই খঙদনা য়াল্লি। য়াম্লা শম্না হায়জরবদা অঙাং অমনা মমাগী পুক্কুংদা মীরোলখিবা মতমদগী অঙাং মচাদুদগী টেক্স খোম্বা হৌখ্রবনি। ফম্নাইবশিংসি লায়রবা মীয়াম্না থবক ৱানা শূরগা থাক্লিবনি।

মণিপুরগী ইস্যুদি ইম্ফালদা ভুট বঙ্গলোদৌনা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা করিগুম্বা অমত্তা পাঙথোক্ত্রিবা, য়ূম অসিদা ফল্লিবা, মীয়াম্না শেল লৌরগা খনখিবা মীওইশিং অসিনা লৌগদবনি। লাইশঙগুম্বা য়ূমসু পুন্মাং মাংথোক্লে। ৱর্ল্ড রেকোর্দ ওইরি হৌজিক ফাওবা স্পিকরগী চ্যেরদা urinated তৌখিবদু। পীকখ্রবা মফমসিগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ য়াম্না লৈরি। অফবগীদি অমত্তা নত্তে। ঐখোয়সি ইকায়খুম্নবা ফূরুপ অমা ওইদ্রিবনি হায়বসি খন্থবীয়ু। মীয়াম্না হিংলিবা পূন্সিসি Crises Management গী চপ চাবা খুদম্নি। ঙসি ফাওবদা এসেমব্লি সেসন খুদিংগী ৱারেপশিংদু থবক ওইনা কদাই ফাওবা পাঙথোকখ্রবগে? অফবা ৱাহং ওইদবা-পাদবা পাউখুম খরা খুল্লগা, সেসন খুদিংমক লোইশিনখিবা ঙাক্তনি। থায়নদগী শোয়দুনা লাক্লবা করপসনগী কোমদা খজিংগুম্বা ফম্নাইবশিং চোঙশিনবা হৌরক্লে।

লৈখিদ্রবী য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বী Margaret Thatcher না হায়বীরমখি - “পব্লিক মনি হায়বা ৱাহৈসি লৈতে। মসিগী মহুত্তা ‘টেক্সপেয়র মনি’ হায়গদৌবনি। গভর্ণমেন্টকী ফন্দ অসি টেক্সপেয়র ময়ামদগী লায়রবা মীওই ফাওবা টেক্স পীরি। অদুগা মীয়ামগী ঈ চূপ্পগা হিংলিবা কয়া অমদি টেক্সশিংদগী গভর্ণমেন্ট ফন্দ হায়না মমিং ওন্থোক্লগা মীয়ামগী য়াইফনবা থাদরকপা থবকশিংদুদগী হুরাল্লগা ময়ূম-মকৈ, লন-থুম্নচিংবা শারি, পৈসিল্লি। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী এক্স-চীফ মিনিষ্টর অমত্তা গভর্ণর, এম্বেসেদরনচিংবা ইকায়খুম্নবা য়াবা ফম অমত্তা পীখিদ্রি। মতিক চাবা মীশিংনা সী এম ওইদবগী খুদম্নি।

নাগালেন্দগী এক্স-চীফ মিনিষ্টর Hokishe Sema অসি হিমাচল প্রদেশকী গভর্ণর (এপ্রিল ১৬, ১৯৮৩দগী মার্চ ৭, ১৯৮৬) ওইরমখি। চহী ৪১গী মমাঙদা নাগালেন্দগী এক্স-সী এমদি গভর্ণর ওইরমখ্রে। মহাক্না ষ্টেট অদুগী রোদ কম্যুনিকেসন অমসুং থক্লবা ঈশিং মীয়ামদা পীরমখি। মহাক্না ইরম্বা লাইরিক - Emergence of Nagaland Socio-Economic and Political Transformation and The Future না ষ্টেট অদুগী Future Vision and Plan কয়া শেল্লমখি। মহাক্কী মথংদা এক্স-চীফ মিনিষ্টর এস সী জামির ইশাগা হকথেংননা কুমজা ১৯৮১দা উনবগী খুদোংচাবা দিমাপুরদা ফংজখি। চহী ৪৩গী মমাঙদা মহাক্না ঐঙোন্দা হায়বীখিবা সেন্টেন্সশিং ঙসি ফাওবদা কাউদ্রি। "So, you are from Manipur. Really glad to meet you. Come, Come, we will have tea and talk" হায়র-হায়রগা মহাক্কী কিটচন ফাওবা পুশিনখি। মতম অদুদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী Prime Minister Indira Gandhi লাক্লগা য়াওগদৌবা অচৌবা মীটিং অমা পাঙথোক্লবগী এরেঞ্জমেন্টদা অসাম রাইফলগী গেষ্ট হাউসশিংগী মতাংদা খন্নবগী ঐঙোন্দা দিটেল তৌরকপদগী উনখিবনি। লেট্টর অমসু মহাক্না সাইন তৌগদৌবদু পুরগা চৎপনি। "You are Army officer, everything must be correct" পাবা ফাওবা পাদনা খুদক্তা সাইন তৌখি। মণিপুরগী সী এমগদি হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নরি।

নাগালেন্দদা ঐহাক চহী ৪ হেন্না সর্ভিস তৌজরকখি। কুমজা ১৯৭৯-১৯৮২ ফাওবগী মতমনি। চীফ মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি উনবগী এপোইন্টমেন্ট লৌদ্রবসু খুদক্তা উনবা য়াই। মখোয়গী ষ্টেটতা 5 days কী Working (Monday to Friday) days ওইখি। নুমিৎ ৫দা গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ী পূম্নমক থবক য়াম্না ফজনা তৌই। Bribe system শুংয়া য়াদে। ওফিস খুদিংদা "No Bribing for any work" হায়না ইরগা ওফিসকী কাচিন খুদিংদা থেৎলি। চীফ মিনিষ্টরশিংদু করপ্ট ওইদবদগী তৌরিবনি। চহী ২২গী আর্মি সর্ভিসকী মতমদা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অয়াম্বদা ওফিসকী ৱার্কিং, কলচর অমসুং ইলেক্সনগী অচুম্বা অশেংবদু উজরকখি। ঐগী পোক্লফম লমদম অসিদি ‘নরক্কী খুন্নাইনি’ ঐগী থম্মোয়না হায়রি। নাগালেন্দগী নাগা নুপীনা চীফ সেক্রেটরি ওইখিবসু চহী ফনা য়াল্লবনি। এস সী জামিরদি গভর্ণর ওইনা গোৱা, মহারাষ্ট্র, গুজরাট অমসুং ওড়িষা হায়রিবা ষ্টেট মরি অসিদা ওইখ্রবনি। পদ্ম ভূষণ এৱার্দ ফংখ্রে। মণিপুরগী এক্স-সী এম অমত্তা করি ওইখ্রবগে?

অতোপ্পা কখোকপা মীশিংগী অতেনবা ৱাফম খরদং ইজগে। সেনেগাল (ৱেষ্ট অফ্রিকা) গী ৱর্ল্ড ফেমস ফুটবোল প্লেয়র SADIO MANE গী মরমদা হায়জগে। মহাক্কী হাপ্তা অমগী ইনকমসি ইন্দিয়ন রুপীদা লুপা ক্রোর অমগা লাখ নিফুনি। অদুবু মহাকসি মফম অয়াম্বদা ব্রোকন হায়বদি অকায়বা মোবাইল ফোন অমা পায়রগা চৎপসু উই। ইন্টরভিয়ু অমদা অকায়বা মোবাইল ফোন অদু শিন্দোকপা য়াদবরা হংবদা মহাক্না অকায়বদু ফিক্স তৌগনি, হায়বদি নপশিল্লগা শেমগনি হায়না খুমখি। অনৌবা অমা করিগী লৈদ্রিবনো হংলুবদা মহাক্না মখা তানা খুল্লকখি - ঐহাক্না ফোন লিশীং-লিশীং লৈবা ঙম্মী। 10 Ferraris (অতাঙবা কারনি), 2 Jet Planes, Diamond Watch লৈবসু ঙম্মী। পূম্নমক্তু লৈরগা করি কান্নে? ঐহাক লায়রনা হৌরকপা মীওইনি। চাবা-থকপা ফংলক্তে। লাইরিক তম্বা ঙল্লক্তে। শেৎনবা ফিরোল লৈরক্তে। ফুটবোল বুঠ লৈরগা শান্নবা ঙমদবনা বুঠ য়াওদনা ফুটবোল শান্নরকখি। ঐহাক্না স্কুলশিং লিংখৎলে, অঙাংশিং লাইরিক তম্নবগীদক। হৌজিক্তি ঐনা লৈরিবা পূম্নমকসি মীয়ামগা স্যের তৌরি। ঐদি "Showing off" পাম্বা মী নত্তে। মহাক্কুম্বা মীওইদি মালেমদা অতাঙবনি। সেনেগালগী চহীগী বডজেট অসি তঙ্খাইদি এদ্যুকেসন সিষ্টমদা শীজিন্নে। এদ্যুকেসন ফরবদি লৈবাক্তু ফরবনি।

ইন্দিয়াগী এক্স-প্রসিদেন্ট এ পি জে কলামগী মরমদা য়াম্না তেন্না ৱাহৈ খরসু পঞ্জগে। মহাক্তি ভারত রত্না, পদ্ম বিভুষণ, পদ্ম ভুষণ হায়রিবা এৱার্দ অহুম অসি ফংখি। মহাক্কুম্বগা মান্নবা কনা অমত্তা ইন্দিয়াদা লৈতে। মহাক্না তাইবঙপাল থাদোকখিবদা মহাক্কী চপ চাবা মতিক-মগুণশিংদু খঙবা ঙল্লকখি। লাইরিক ২৫,০০০ লৈরমখি। টি-শর্ট ৬, পেন্ট ৪, সোক খরা, খুদাং ঘড়ী অমা খক শীজিন্নখি। লাইরিক মরি ইরম্বদুগী রোয়েলিটি হায়বদি ফংলকখিবা শেলদুনা মহাক্কী হিংনবগী পাম্বৈ ওইখি। মহাক্কী পেন্সনদি পঞ্চায়েটেতা কখোল্লল্লে। মহাক্কী কার লৈতে, ফ্রিদজ থমদে। প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা মহাক Snit শেৎতে। খোঙউপ তোংদে। মপূন্সিদু চপ্পল তোংলগা হৌরকখি অমসুং লোইবসু লোইখি। মহাক্তি কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পিগী লৈঙাকসি হৈনবা মী নত্তে। চন্দ্রবাবু নাইদুনা মহাকপু প্রসিদেন্ট ওইবীনবা হায়জবদগী য়ারকখিবনি। য়াম্লা অতাঙবা মীনি।

ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল লিদরশিংগী মরক্তা লাল বহাদুর সাস্ত্রিগুম্বদি ঙসি ফাওবদা কনাসু য়াওদ্রি। য়াম্লা ৱানা হৌরকখিবা পূন্সিদু মহাক্না রেলৱে মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা ফাওবা কাউখিদে। মীওইবদি হৌরকফম কাউবা য়াদে। মহাক্না রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থোক্লবদি মশানা খঙনা তূমিন্না রিজাইন তৌখি। হোম মিনিষ্টর ওইরম্বা মহাক্না মপূন্সিদা মহাক্কীনি হায়দুনা য়ূম অমা ফাওবা শারমখিদে। অশানবা য়ূমদা লৈরক্লগা, অশানবা য়ূমদুদা মপূন্সিদু অদুম লোইখি। মঙোন্দা "Showing off" কী কলচর অসি শুকয়াও য়াওখিদে। মহাক্কী মমানা রেলৱে ষ্টেসনদা ত্রেন তোংনবা য়ৌরকপদা অরোইবা ত্রেন থাখ্রে হায়না Coolie না হায়রকখি। অদুদগী Coolie অদুনা দেল্লীদা কনা উনবা চৎকদৌরিবনো হংলকপদা ঐগী ইচা লাল উনবা চৎলিবনি খুল্লকখি। লাল হায়বদি লাল বহাদুর সাস্ত্রিরা হংলকখি। হোয় মাদু ঐগী ইচানি। মহাক উনবা চৎলিবনি। মহাক্তি (মচাদু) রেলৱে মিনিষ্টরনি হায়বসি Coolie দগী খঙলকখি।

হৌজিক্কী মতমগী উৎচনীংবা, পোংজনীংবা, চাউজনীংবা, তাকচনীংবা, খজিংগুম্বা (খজিংদি মকোক্তু অমাংবনা পীক থল্লি - Spine Cord য়াওদে), মখোয়সিগা এ পি জে কলাম অমসুং লাল বহাদুর সাস্ত্রিগুম্বা মীশিংগা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নরি। মতমসিগী ফম্নাইবশিংনি হায়জরিবশিংদি হিংনা-হিংনা শিবগা চপ মান্নখ্রবা মীওই ঙাক্তনি। ইকায়বা খঙদ্রবগী হীদাক্তি, মীওইবগী মতম হায়বসিনি। মতম্না অদুম অফবা-ফত্তবা লোইনমক শোয়দনা পুরক্কনি। করপসনগী মহিক মপী ময়াম অমা খপ-খপ চোংলগা মতিন ওরো-ওরো তারগা চৎপা-লেপখৎপা ঙমদনা য়াম্না ৱানা পূন্সি লোইবা ঙাইরি। ফত্তবা থবকশিংগী ফলদি শিদ্রিঙৈদা ফংলগা চৎখিগদৌবা ঙাক্তনি। অহান-অকোনগী তাঙ্ককনি।

মীচম মীয়াম্না থায়নদগী হৌনা অসুক ৱানা হিংলকখিবগী মরমশিংসি লৈকায়-লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলশিংদা খন্ন-নৈনবীয়ু। ঐখোয়গী অশোয়বশিংগী খুদোংচাবদু মীতোপ্পা লৌবনি। ইমুং অমগী অহল-লমনশিং মথোং চাদ্রবদি লৈকায়না উশিৎতবগুম্বনি। মশাগী মতিক-মগুণ লৈবা, ইমুংদা-লৈকায়না, মীতোপ্পা, পুলিসনা ৱাহৈ অমা হায়বা ফাওবা য়াবা নত্তে। মণিপুরগী প্রোব্লেমদি মণিপুর মনুংদা পুকচেল শেংনা, কখোকপগী থম্মোয়গা লোয়ননা লোইশিনবা তাবনি। ইকায়দ্রা ঐখোয়গী খুন্নাইসিগী চৎন-লোনচৎসি। ●

ৱর্ল্ড ফেমস ফুটবোল প্লেয়র SADIO MANE

চীফ মিনিষ্টর কৈদৌনুংদা শিল্লক্লোই

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -



ঐ ঈশৈ শকপা হে হায়বসি মীনা খঙদব্রসু ঐ ইথন্তা অদুম খঙজে। ঐহাক্তা নত্তনা মী খুদিংমক ঈশৈ শকপা নৎত্রগা ঈশৈ ঙংবা লোইনা হৈনবা ঙাক্তনি। মসি মী মশা মশাদুনা অদুম খঙজবা ৱানি। ময়েক খরা লানবা, তান খরা চান্নদবা, শুর খরা চুমদবগী ৱানি ঈশৈ শুংশক শক্তবা মীদি লৈতে। নুংঙাইরগসু ৱারগসু ঈশৈদি অদুম শকপা য়াই। ৱাখল নুংঙাইরগা শকপা ঈশৈ ওইরবদি শুরমক তাদ্রবসু ময়েক্তি খরা অদুম য়াওই। কিবা ফনবা ঙংবা ঈশৈদি ময়েকসু য়াওদে, শুরসু লৈতে। করি ঈশৈনো হায়বা ইশানফাওবা খঙজদবা ঈশৈনি। অদুবু ঈশৈ ঙংলগা অকিবা মপাদুদি লান্থোকখি। অসুম্না ঐখোয় লোইনা ঈশৈ শকপা হৈরগসু লৈবাক্না ইকায়খুম্নবীবা, মীয়াম্না শক খঙবীবা, তিন্নবা ইমান্নবনা খঙবীবা, কনামত্তনা খঙবীদবা হায়দুনা মখল খায়দোকপগী ৱাতনি। ঙসিদি ঐ নুংঙাইবগী ঈশৈ অমা সুম শক্লিংলক্তুনা শক্তোখ্রে... নঙগী মায়থোঙ উরুবদা নরেন্দ্র মোদিনা ইকায়জবনি। নঙগী ৱাহৈ তারুরগা অমিটজিনা ইকায়জবনি। বিরেনজিনা লৈচিল্লক্তা লোৎলি, ইকায়জৈ নঙবু উরগা... তেরে... তেরে ... তেরে। নহাক্কী থৌনা অদুনা শিরুম-নারুম্বা মীতৈ লুচিংবশিংগী মমিৎতা মোরোক চাইশিনবা ওইরসনু। ঐখোয়গী ইকায়খুম্নজরবা (ওনরেবল) এম পি বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা উৎখিবা মতৌদু উরুরগা ঐদি ঈশৈ পঙশক্তা শক্লিংই। নুংঙাইবা হায়বদু নুংঙাইরে কৈনো। মণিপুর হিংলি হায়বসি ইকায়খুম্নজরবা বিমোলনা হায়বদগী ইন্দিয়ানা খঙহৌরে।

চহী অমা হেন্না মণিপুর কদাইদা লৈবগে হায়বা থিবা খঙদনা লৈরম্বদু নহান নুমিদাং অথেংবদা দেল্লীগী লৱাই-লুতোনদা লৈরম্বদু লাকখ্রেদনা। মসি য়ৌরফাওবা ঈশৈ ঙংনীংদ্রিবা মীদুদি মপূন্সিগী নুংঙাইদুনা অদুম লৈরদৌবা মীনি। ঐদি হৌজিকসে শুর অমত্তা য়াওদ্রবসু কন্না-কন্না লাউরগা ঈশৈ শক্লিংই...কুমগী নোংজু ঈশৈনা নিল্লো, অরি অনৌ পূন্না চৎলো, চীংলোন মাপন ৱাংমা লান্না কংলৈপুঙগী খোঙথাং য়ৈরো। (লিরবা লৈকোলগী খুইরবা লৈরাং... ঈশৈগী লাইপোক পহারিনা শকপীরম্বা)। ঐখোয়না থাগৎখিবা এম পি বিমোল হৌজিক অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ওইখ্রে। ইন্দিয়া পূম্নমক্কী মায়থোঙ ওইখ্রে। নহাক্কুম্বা মণিপুরী মচা লৈরমগনি হায়বা থাজরুদবা নরেন্দ্র মোদি, অমিট শাহ হৌজিক্তি মমিৎ লংখৎপা খরা হন্থখ্রনি। খুদোম্বী থাঙ্গৎপসু পংৱাঙ ৱাঙনা থাঙ্গৎলরোই। ঐখোয়গী বিমোলনা পার্লিয়ামেন্টতা চঙলকপা মীকুপ্তুদা ইন্দিয়াগী এম পি ময়াম্না মণিপুর কৌবা অনৌবা মী অমা থেংনরে হায়দুনা হরাওবদৈ... মণিপুর... মণিপুর... হায়বা খোল্লাওনা পূমনিন-নিনখি। খুদক্তুদা ঐনা ইশাগী খুদোম্বী থাঙ্গৎলগা খুজিন মমায়দা য়েংজৈ। ভোট থাদবা নুমিৎতা খুদোম্বীদা শঙলকপা অমুবা মচুদু কোক্লমদ্রা পাখৎচৈ। লাইবক ফবা হায়বদুনি মমি-শামি ওইনা খজিক্তং লৈরম্বদু উবদা কয়াদি নুংঙাইরে... হুঙ...হুঙ... লা... লা...রা... রা...।

পার্লিয়ামেন্ট মনুংদা ইন্দিয়াগী মোদিজিনা মণিপুর পনখ্রে। অদুবু মহাক্না মণিপুরবু য়াম্না লূম্না লৌরি হায়বসিমদি ঐখোয়গী সী এম বিরেননা হায়বীবদৈ খঙজবনি। অপঙবা মীয়াম ঐখোয়না ইরমদম অসি মচেৎ তাখিবা য়ারোই হায়না ৱাজরিবসে সী এম বিরেননা, মন্ত্রি সুসিলদ্রোনা, মন্ত্রি গোবিন্দাসনা অদুদগী কনা-কনানো ময়াম্না শোয়দনা খনবীরক্কনি হায়দুনা খাঙলি। অপঙবা ঐখোয়না খঙবদৌনা সী এমসু মন্ত্রি ময়ামসু নরেন্দ্র মোদিজিনা অমিট শাহজিনা মণিপুরগী ঈং-তপ্পা পুবিরক্কনি হায়দুনা ঙাইরি। অপঙবা মীয়ামগা অশিংবা মীহুৎকা অমত্তা ওইনা শান্তি হঞ্জিল্লকপা ঙাইনরি। নুংশিদ্রা ঐখোয় ময়ামসে। মীয়ামগা ঐখোয়গী সী এমগা মণিপুরী ঙাঙনবদা পাউ ফাওনবা ঙম্নদ্রে। ঐখোয়গী সী এমগা দেল্লীগী লুচিংবশিংগা হিন্দি লোন্নবদা, ইংলিস ঙাঙনবদা মকোক ঙাওনরে।

অসুক লুরবা তাঞ্জাসিদা কনাগুম্বা খরনা সী এম শোয়দনা শিল্লক্কনি হায়বা য়াওনৈ। মদু পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌরগা থবক পীনি হায়দুনা শেল লৌশিন্নবগী থৌরাং তৌরিবনি। সী এম ওইদৌরবনি হায়দুনা শেলকা পীশিনবীরুনু। দেল্লীনা কৈদৌনুংদা চীফ মিনিষ্টর শিল্লোই। চীফ মিনিষ্টর য়াম্না ওইনীংবা মীহুৎশিংসু তাবীয়ু। হৌজিক ওইবীরিবা ঐখোয়গী সী এম অসিদগী নখোয়না করিদা হন্থরিবগে। মসি নশা-নশাদি খঙজরমগনি। চপ মান্নবা নখোয় ময়াম শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরগা অনৌবা অমা শেম্নি হায়বসিদা থাজবগী ঈশৈ অমসু শকনীংই। অদুবু ময়েক্তি খঙদে... হুঙ...হুঙ... লারা...লারা। ●

কংলৈপাক্তা অহোঙ খোংচিংবা অমদি রথ যাত্রা

- ডা. ক্ষেত্রিময়ূম শান্তা -

কংলৈপাক, ইরমদম অসিগী শাংলবা পুৱারীগা শাগোন্নরবা নাৎ, চৎনবীগী মচাক কয়ানা লমদমসিবু ঙসি ফাওবদা মালেমদা শক্তোক্লি। কংলৈচাশিংনা মফম-মতম অমদি থবক থৌরমশিংগী মখা পোন্না তোঙান-তোঙানবা লাইথৌ তিন্থৌ অমদি মসিগা শাগোন্নরিবা হরাউ কুম্মৈনচিংবা থৌরম কয়া তোয়না পাঙথোক্লরকই। থৌরমশিং অসি কুমজা অমগী অকক্লবা নুমিৎ, থবান নৎত্রগা হেন্না খুদোংচাগদবা মফম মতম অমা য়েংলগা লৈবাক্কী নিংথৌ ফাওবা য়াওনা মীয়াম পূন্দুনা অচা-অথক, হৈ-লৈনচিংবা মরাং কায়না পীজ-পীথক্তুনা মীয়ামগী অপেনবা ওইহন্নবা হরাউ তয়াম্বগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লরকই। মসিদা লৈবাক্কী ওইনা চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, খুঞ্জাও-লৈচাওবা ওইনবা নৎত্রগা মরন্নাইগীদমক পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী থবক থৌরমশিংগা মরী লৈননা মতিক-ময়াই চেল্লি হায়না খঞ্জবা পোৎশকশিংদা নৎত্রগা মপূ মাগী মফমদা খুরুমদুনা হীরম অমগীদমক অহোঙ কুম্মৈনরকই। চীংমীশিংগীসু মহৈ-মরোং থাবা-লোকপা, শা ফাবনচিংবা থবক থৌরমশিংগা শাগোন্ননা অহোঙ কুম্মৈ কয়া পাঙথোক্লরকই। অসিগুম্বা অহোঙ কুম্মৈগী থৌরমশিংনা অমগা-অমগা পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা হরাউ-নুংঙাইবগী ঈচেল অমদা তাওথমিন্নদুনা অমনা অমগী মতেং পাংমিন্নদুনা ঈং-চিক্লবা, মরা-তপ্লবা লৈবাক অমা ওইহনবদা থোইদোক্না মতেং ওইহল্লি। মৈহৌরোলদগী লমদমসিদা চথদুনা লাক্লবা নাৎ-চৎনবীগী মচাকশিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা অহোঙ কুম্মৈগী থৌরম কয়া, পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদা মপান লমদগী চঙশিল্লকখিবা হিন্দু লাইনীংগী শাফুনা নমশিনখ্রে অদুগা মরূ ফুক্তুনা নমহৎপদি ঙমহৌদ্রবা কয়া অমনা মশক-মচু হোংদোক্তুনা ঙসিসু মূৎখিবদি নত্তনা তুরোই-ঙাল্লোইননা চথরি। মতাংসিদা ঐখোয়গী নাৎ-চৎনবী অমদি লাইথৌ-তিন্থৌগা তোৎনদুনা লাক্লবা অহোঙ খোংচিংবগী থৌরম্বু মপান্দগী চঙশিল্লকখিবা রথ যাত্রা (কাং চিংবা) না মহুৎ শিনখিদগী ঙসি ফাওবদা হন্দোকপা ঙমদনা লৈরি।

অহোঙ খোংচিংবগী থৌরম অসি অখণ্ড-অহৈশিংগী মীৎয়েংদা য়াম্না ঙন্না নিংথৌ কাঙবগী মতম অদুগা খরা থেংথরবদা নাউফংবা নিংথৌগী মতম (খৃ ৪২৮দগী ৫১৮) ফাওবদা হৌদোকখিবনি হায়না তোঙানবা ৱাখল্লোনশিং লৈরবসু মসি অঙনবা মতমদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লবা অমনি হায়বসিদি লেঙদ্রবা ওইরি। মসিগী অরেপ্পা মওং-মতৌ তাকপদা অরুবা অমা ওইরবসু অচৌবা উ অমদা মবুক কোথোক্লগা শেম্বা নৎত্রগা কাংকোৎ কুম্বা পোৎশক অমগী মনুংদা নৎত্রগা মথক্তা লাইনিংথৌ সনামহীবু থাঙ্গৎলগা মফম কয়াদা কোইনা চিংদুনা পুবগী থৌরম্নুনি। মতাংসিদা হরাউ-কুম্মৈগী, ঈশৈগী তাম্থা পীবদা শীজিন্নবা, অচৌবা উ মকক অমদা মথক থংবা শরুক্তা চাং মান্ননা মমায় তাথোক্লগা মদুদা অরাও-অখু মান্নদবা মখুল কয়া হুৎতুনা মখুলশিং অদুদা শুক্কুম্বা উ অমনা শুরগা থোরকপা খোঞ্জেলগী তাম্থানা হেন্না হরাও মথোই কাহনবদা শীজিন্নবা খোং হায়বা পোৎশক অমসু শীজিন্নরকখি। মসি ঙসিমক্তি শীজিন্নদ্রবসু অন্দ্রোগী পানম নিংথৌগী লাইশঙ মনুংদা লৈবা উজরি। মসিনা অচৌবা শাফম-লানফমশিংদগী মায় পাক্না হল্লকপদা নিংথৌ য়াওনা মীয়াম্না খোং অসিবু থিন্দুনা জগোয়-ঈশৈগী তাম্থা পীদুনা হরাউ-নুংঙাইবদা মপূং ফাহল্লি।

অহোঙ খোংচিংবা হায়বসি লৈবাক্কী নিংথৌ য়াওনা মীয়াম হুপ্পা লাইনিংথৌ সনামহীগী মফমদা ঙমজবা মহৈ-মরোং, হৈ-লৈ, চেঙনচিংবা কৎচদুনা লাইনিংথৌগী মফমদা য়াইফ-থৌজাল নীজরম্মী। মসিদা অহোঙ খোং অদুগী মথক্তা লাইনিংথৌ সনামহীবু তোংহন্দুনা সলাই তরেৎকী ফিরাল থেৎলদুনা মফম কয়াদা মচা-মনাইশিংনা চিংদুনা পুরম্মী। অদুগুম্বা মচা-মনাই ওইবশিংগী মফমদা লাইনিংথৌনা খুঞ্জাও লৈচাওবা, চাকহোঙ-ঙাহোঙবা, লৈবাক মরা তপ্পা, চাওখৎপা ওইহল্লি হায়না লৌনরম্মী। ঙসিসু লাইনিংথৌ সনামহীগী চেঙ হোংবগী থৌরমগা মরী লৈননা সনামহী অহোঙ খোংচিংবগী থৌরম পাঙথোক্লরি। মসিদা লৈশেংলোন, তাইবঙ থৱায় পানবা শেন্নকপা, মীওইবগী চাওখৎপা, মীওইবগা মহৌশাগা লৈনবা মরীনচিংবা কয়া ময়েক শেংনা উৎলক্লি। অসিগুম্বা লমদম অসিগী ওইবা নুং-পানগী ফজরবা মচাকশিংতনা য়োল্লবা অহোঙ খোংচিংবগী থৌরম্বু রথ যাত্রা (কাং চিংবা) না মহুৎ শিন্দুনা চৎনরি। লমদম অসিবু গরিবনিৱাজ (পামহৈবা) না নিংথৌ ওইনা পানখিবা মতম খৃ: ১৭০৯দগী ১৭৪৮ ফাওবদা হিন্দু লাইনীংগী ঈথিলনা মনীং তম্না চঙশিল্লকখি।

অহোঙ খোংচিংবা

কংলৈ ইরমদমসিদা হিন্দু লাইনীংগী শাফুনা ওইহল্লকপা অওনবশিংগী মনুংদা অহোঙ খোংচিংবগী মহুত্তা উরিষ্যাগী পুরিদগী হৌদোরকখিবা হিন্দুগী রথ যাত্রা (কাং চিংবা) না মহুৎ শিনখি হায়বা সনামহী লাইকন কৌবা লাইরিক্তসু ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি। মীওই কাঙলূপ অমগী নাৎ-চৎনবীগী মচাকশিংদা অতোপ্পা ফূরূপ অমগী ঈথিল চঙশিল্লকপা হায়বসি হৌনশা ওইবগুম মণিপুর খুন্নাই অসিদসু হিন্দুগী ঈথিল কয়া চঙলকপদগী অওনবা কয়া লাকখি হায়বসি লেঙদ্রবা ৱাফম্নি। মহারাজ গম্ভির সিংহনা পানবা মতম কুমজা ১৮২৯দা বৃটিশশিংগী মতেং পাংবা ওইনা খাসি চীংদা লান তারকপা হল্লকপদা শিল্লেট লৈবাক্তা মতম খরা লৈরকখি। মফমদুদা খুন্দামিন্নরিবা হিন্দু মুস্লমান অনীগী মরক্তা রথ যাত্রা (কাং চিংবা) অমদি মুহরম হায়রিবা কুম্মৈ অনী অসিনা নুমিৎ অমত্তদা পূন্না ফাংজিন্নবদগী কাঙলূপ অনীগী মরক্তা মাগী-মাগী থৌরমতবু পাঙথোক্কনি হায়দুনা য়েৎনরকপদগী খূৎ ফাওবা য়াওনরকখি। মতাং অসিদা মফমদুগী লৈঙাক চূপ্পি পায়রিবা বৃটিশশিংগী য়াথং মতুংইন্না মুস্লমানশিংগী মুহরমনা হানগদবনি হায়রবসু মহারাজ গম্ভির সিংহগী য়াথং মতুংইন্না মচা-মনাইশিংগীদমক খন্দুনা লাম্মী ময়াম থাজিন্দুনা ঈহৌ শাগৎলক্লিবা মুস্লমানশিংবু লাকশিন্দুনা হায়রিবা নুমিৎ অদুমক্তদা হিন্দুগী রথ যাত্রা (কাং চিংবা) গী থৌরমসু পাঙথোকহনখি। মসিগী মতুং তারকপদা কুমজা ১৮৩২দা জগনাথ ক্ষেত্রদগী লাকপা পান্দা কৌবা বামোন অমনা হৈবোক চীংদগী হৈনৌ পাম্বী য়াল্লুরগা জগনাথ দেব (জগবন্ধু) গী মীতম শাদুনা ইঙেনগী নোংমা পানবদা জীবন্যাস তৌবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা মদুগী হেক নোংঙানবদা ইঙেনগী নীনি পানবদা রথ যাত্রা (কাং চিংবা) গী থৌরম পাঙথোকপা হৌদোকখি। অসুম্না মীতৈ লৈবাক অসিদা কুমজা ১৮৩২গী ইঙেনগী নীনি পানবা নুমিত্তগী অহানবা ওইনা লমদমসিদা হিন্দুগী রথ যাত্রা (কাং চিংবা) গী থৌরম পাঙথোকপা হৌদোকখি হায়না চৈথারোল কুম্বাবদা ময়েক শেংনা পল্লম্মী। অহানবা চিংবা নুমিৎ অসিমক্তদা কাংনা তকপদগী নিংথৌজম অবুংতোন কৌবা সিফাই অমা শিখি। অসুম্না লমদমসিগী লোইজি লোয়া শিনবা থুংনা তপ্না-তপ্না অহোঙ খোংচিংবগী মহুত্তা মপান্দগী চঙশিল্লকপা রথ যাত্রা (কাং চিংবা) না মহুৎ শিনখিদুনা ঙসি ফাওবদা চথরি।

অসিগুম্বা লাইনীং ধর্ম্মগী মিংদা হেন্না থৱায় লুপশিনহন্দুনা মদুদা শরুক য়ারকপশিংবুনা মপূ মাগী অচানবা মনাইনি খলহনবা, শিবা-নাবা থোক্লবসু মপূ মানা লৌশিনবীরবনি খন্দুনা লাকখি। অসুম্না লমদমসিগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা মপান্দগী চঙশিল্লকপা হিন্দু লাইনীংগী মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংনা মহুৎ শিন্দুনা লৈখা তানা মাঙশিল্লকখি। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়গী হৌরক্লোন, লৈশেংলোন, থৱায় পানবা শেন্নকপা, মীওইবগী চাওখৎপা অমদি মহৌশাবু য়োকখৎপা মমি তারিবা থবক-থৌরমশিংবু য়োকখৎপা, মশক খঙবগী তঙাইফদবা মতমদু ওইরক্লি। মসিদা লৈবাক পায়রিবা মপী-মপা ওইবশিংনসু অহেনবা মীৎয়েং চঙবীবগী তঙাইফদবা কয়া লৈরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।